# মীখলনা মচোই–মচোই তাহল্লুরবা মীয়ামবু য়াওশঙ কুম্মৈনা অমতা ওইনা অমুক নুংশিননা নোকমীন্নখিবা





- জয়েন্ত সরাংথেম -

হায়নবা লৈ পুন্সি অসে খুবাক খুনম্লি। পোল্লবদি শিবা হায়বা অসিদি শোয়দ্রবনি। ‘অমুক নোকপা অমুক কপ্পা’ নঙ লৈরমদ্রবদি মালেম অসিদা লীলা শান্নবা লাক্লিবা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি অসে মহাও য়াওরমদবগুম তৌবসু য়াই। হাওই হায়রবসু অচাবা এঙ্গাং অমা অদুম চাদুনা লৈরবদি চানিংলক্তে, হাওরক্তে হায়দুনি। পুন্সি হায়বা অসি মখল মথেলনি। অসিদসু নত্তে মীওইবা ঐখোয় অসিসু জীব মখল অমনি। করম্বা জীব ? মতোমতা লৈবা, মতোমতা হিংবা ঙমজদবা জীব অমনি। অদুবু খুন্নাই ওইনা, কাঙলুপ কাঙলুপ ওইনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা লৈমীন্নবা জীব মখল অমনি। অদুগা অমুক মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি ঐখোয় ময়াম অসি মচিন–মনাওনি, মরী মতা ঙাক্তনি হায়বসু য়াই। মরমদি মচিন–মনাও কয়া লাপ্পা খুন হোংদুনা চৎখিবা লোয়ননা ঐখোয় মশেল লৌনা লৈনদুনা লাপ্পা ময়ুম কয়া পানখিবসু য়াওই। শুরোল–শুরোল কয়াগী মতুং ইন্না অসুম–অসুম লাপ্নখিবা অমদি মাগী মাগী ইমুং মনুং হিংবা ঙম্নবা হোৎনবদা থীজিল্লুবা ঙমদবা অসিনা ঐখোয় মশেল খঙনদবনি তশেংনমক্কীদি। অদুনা ঐখোয় অমত্তনি হায়বমক য়াই। ইচিন–ইনাওদা ফাওবা অমুক খৎনৈ, অমুক নুংশিনৈ। পুন্সি চুপ্পা কনাসু খৎনদুনা চঙনদে, কৌনদে হায়বদি লৈতবরা খল্লি। মীখল মতমদা য়ুম থঙনবা ইমুং অমগা ইমুং অমগা, লৈরক অমগা লৈরক অমগা, লৈকায় অমগা লৈকায় অমগা ৱাখল মান্নদবা, মোত খেন্নবা মীয়েং কয়া লৈদুনা তোঙান–তোঙানবা মীরেপ্তা লেপ্নদুনা মচোই–মচোই তানদুনা লৈরম্লবা ঐখোয়গী মীয়ামশিং অদো ঙসিদি কুম অমগী লাকপা য়াওশঙ কুম্মৈ অমদি য়াওশঙ স্পোর্টস মানা অমতা ওইবগী থৌরিনা পুল্লদুনা অমুক নৌহৌননা নুংশিননা মকা লাম্না নোকমীন্নররে। মাগী মাগী মায়থোঙদা হরাও মথোই কাররে। পুম্নমক অসি উরুবদা থম্মোয় শুমহত্তবা ঙমদে। পুন্সি হায়বা অসি মসি ওইরেকো ? অমুক ৱাবা, অমুক নুংঙাইবা, অমুক কপ্পা, অমুক নোকপা হায়বা তাইবঙগী লীলা শান্নবা লাকপনি হায়বা অদো ঙম্নমক চুল্লে।

কোভিদ–১৯না মরম ওইরগা উচি মকোনদগী মপান থোরকপা য়ারোই হায়বদৌনা চহী অহুম ঐখোয় ময়াম তুমিন–তুমিন লৈনরুরবা মতুংদা লাকপা য়াওশঙ কুম্মৈ ওইবনরা করিনো হন্দক্কী য়াওশঙ কুম্মৈ অমদি মফম–মফম কয়াদা পাঙথোক্লখিবা য়াওশঙ স্পোর্টস অসিদি খরা কল্লে হায়বমক য়াই। মতম খরা উরুদ্রবা য়াওশঙগী ফিজোল শেত্তুনা লৈকায়গী নুংশি–নুংশিরবা পীক্লিবা অঙাংশিংনা শেল খায়বা লাকপা অমদি খুন–খুনগী ক্লবনা য়াওশঙ স্পোর্টস শিন্দুনা নহা অহল খাইদনা খুনগী লমপাক্তা ময়াম্না নোক–খেদুনা শান্ন–খোৎনবা তৌদুনা অঙম্বা তান্নবা উরুবদা থম্মোয়দা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। য়াম্না নুংশিবা য়াম্না নোকনিংবা মশান্না কয়াসু য়াওখি। থৌরম অসিনসু অমগা অমগা শাওনবা অমদি য়ানরমদবা মীওইশিংগী মরক্তা লৈনরম্বা কয়াসু ঙম্নমক নমহত্তুনা অমুক চান্নবা মরুপ ওইখ্রে। অফবা ওইরদি মীগী মতৌ তম্বা করিশু কাইদবরা খল্লি। শু–নোমদুনা ৱারুরবা মতুংদা মহৈ মরোং লোকপা লোইবগা পাঙথোকপা খুনগী লাই হরাওবনা খুন অদুদা লৈমীন্নরিবা খুঞ্জাশিংগী মরক্তা অফবা মরী অমদি নুংশিনবা হেনগৎহনবতা নত্তনা ৱারুবগী ঙাইহাক নুংঙাইথোকপগী থৌরম অসি মীয়েং শান্না উবা ঙম্বা ইপা ইপুশিংনা কয়াদা ফজনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোল ঐখোয়গীদমক শেম্বীরম্লীবনো। খুনগী লাই হরাওবনা খুনদুগী মী হরাওহল্লি। খুনদুদা লৈমীন্নরিবা মীওইশিং হরাওরবদি খুনদুদা খৎন–চৈনবসু থোক্তে। খৎনবগী মহুত্তা মখোয় মশেল ফাগি তৌনদুনা মোমোন নোকমীন্নে। অসিগুম্না য়াওশঙ কুম্মৈ অসিনসু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা হান্নদগী মরম অমা নৎত্রগা মরম অমনা লৈনখিবা থম্মোয়দা লৌথুপ লৌকোই লৈনরম্বা কয়া অদু নাথৈদুনা নোক–খেদুনা চামীন্নে অমদি য়াওশঙ স্পোর্টস য়াওমীন্নদুনা মখোয় মশেল কৌনা ঙাঙনদুনা হেন্না অনকপা মরী অমা লৈনহন্দুনা মচিন মনাওগুম খলহল্লি। মসিনি য়াওশঙ কুম্মৈ অসিগী ফজবা শক্তম। মথোৎ করক্লিবা নহাশিংসু য়াওশঙ থাবল মফম–মফম কয়াদা চোঙদুনা শাবী শানৌ কয়ানা মাগী–মাগী থম্মোয়না পামজবা খঞ্জনবগী থৌরম অসিসু য়াম্না ফজে। থৌরম অসি মালেমগী মফমদা তাঙনা থোকই। পুন্সি হায়বসিসু য়ুম পান্দবা য়াদে। লায়রবা খুন্নাই অমা ওইরকপনা মমাঙ–মমাঙ হাক্তক্তা মণিপুরদা হায়না শিংনদুনা অউনপোৎ পীরগা লুহোংবগী চৎনবী লৈরমদে। য়ুম পাল্লবদি মশা–মশানা য়ান্নজবা নুংশি লিপুন্না পুনবা নুপা নুপী য়াম্নমক মথৌ তাই। নৎত্রবদি য়ুম পাল্লবা মতুংদা ওইরকপা ইমুং অদু কয়া নুংশি–চাননা লৈমীন্নবা খরদি ৱাৎপজাৎনি। ৱাফমশিং অসি ৱাখল তৌদুনা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা শেম্বীরম্লবা য়াওশঙ থাবল অসিসু কয়াদা নুংগী অর্থ লৈরিবনো ?

লময়ানবা হিজম ইরাবতনা য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংদা লৈকায়–লৈকায়দা শান্ন–খোৎনবা শিন্দুনা য়াওশঙবু অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনরমখিবা কয়ানা ঙসিদি য়াওশঙ স্পোর্টস মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোক্লরক্লি। মসিনা ওইবা তাই শান্ন–খোৎনবদা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টস হাওসনি হায়না কৌনরিবা অসি। লৈকায়–লৈকায়দা মাগী–মাগী ক্লবনা লুচিংদুনা য়াওশঙদা শান্ন–খোৎনবা পাঙথোকপনা ঐখোয় মশেল ঙাইহাক হরাওমীন্নবগী মথক্তা মীয়ামবুসু নাদা–য়েক্তনা মশা মউ ফনা থম্বদা চাউনা মতেং পাংগনি হায়জনিংই। হায়নবা লৈ হকচাং ফবনা অথোইবা লননি। অদুনা খুন্নাই অমা চাওখৎপা অমদি য়াইফবা হায়বসি খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা মশা মউ শেংবা চঙই। মীপুম খুদিংমক শান্ন–খোৎনবগী হৈনবী লৈরদি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাখিবদগী কনবসু ঙমগনি খল্লি। অসিতসু নত্তে মণিপুরনা মালেমদা শক তাক্লিবা অসি মাগী কলচর অমদি স্পোর্টসননি হায়বা য়াই। মীখল মমাঙদা কৌবোই কৌনদবোই তৌনরম্বা কয়া অদুসু য়াওশঙ কুম্মৈ লাকপা অসিদদি মফম–মফম কয়াদা স্পোর্টস শিন্দুনা অমগা অমগা নুংশিননা নোকমীন্নদুনা মচিন মনাওগুম অমুক অমতা ওইবগী লিপুননা পুনবদৌনা উরকপা অসিনি।

থবক অমগী অফ–ফত্তা অনীমক্তি লৈবা তাবনি। নুপীমচাশিংনা লম্বীদা থৌরি থত্তুনা অচৎ অওক্তগী লুপা মঙা–তরা লৌজবা অদুদি লান্না উবীবদি নুংঙাইজদে। কুম অমগী থোকপা কুম্মৈনি। কয়াম্নবু শেল চাদিং ওইগদৌরিবনো ? ফৎত্রিবদি মী কয়া পুল্লপ–পুল্লপ লাক্তুনা মীগী শুমাংদা ঈশৈ শক্তুনা শেল চাওনা–চাওনা খায়বগী চৎনবী অসিনি। অসিতসু নত্তে লম্বী থিংদুনা অহিং থেংলবা ফাওবা য়াওশঙ থাবল চোঙবা অসিসু য়াম্না নুংঙাইজদে। লম্বী থৎপনা রোদ জাম থোকহল্লি। মসিনা অমুক চৎথোক–চৎশিন তৌবদা মীয়ামদা কয়া খুদোংচাহন্দে। য়াওশঙ নুমিৎ মঙানি পাঙথোকপা অসিদি খরা শাংমনব্রা খল্লি। মরমদি মসিনা হৌরক্লিবা নহাশিংগী লাই লাইশুদা অকায়বা পীরক্লবগী অকীবা কয়া লৈ। য়াওশঙ মনুংদা লীলা তৌবা, ঈশৈ নোংমাই তোয়না তৌবা, থাবল তোয়না চোঙবা অসিনচিংবা অসিদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নবনা মরম ওইরগা অকোইবদা লৈরিবা য়ুম অয়াম্বদি নেনা তানা চাবা তুম্বা য়াদবা অমদি অঙাংশিং লাইরিক পাবা য়াদবগী অৱাবা কয়া থেংনদবসু নত্তে। খুনগী লাইমাঙ ময়া অমদি খুনগী শান্নবুঙ ময়াদা লৈবা য়ুমশিংদি খোঞ্জেল হৌরবা কুম্মৈশিং অদুনা মরম ওইরগা য়াম্না অৱাবগী মশক ওইবসু য়াওনখি। কুম্মৈ হরাওশিং অসি হেক লোইবগা বোর্দ অমদি কাউন্সিলগী এগজামশিংসু লাক্লে। অদুনা হৌরক্লিবা নহাশিং মরুওইনা লাইরিক লাইশুগী লম্‌দা মসিনা খরদি অয়েৎপা পীগনি খল্লি। য়াওশঙ মনুংদা গাড়ী চেন্দবা লোয়ননা লল্লোন ইতিক তৌদবনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী শেল থুমদা চাওনা শফু পী। তৌরোইসি হায়জবা নত্তে, তৌসি। পাঙথোকসি। তৌবতদি মরম চনা অফবা অদু নীনী–হুম্নী খক্তা তৌবদি করি কাইবগে ? চাথোকপা নুংঙাইথোকপনা শুবদগী হেল্লবা ইমুংনা কৈদৌঙৈদা নুংঙাইগনি থাজদে। মসিদনি ঐখোয়গী খুন্নাইগী অশোয়বা অসি। মশাগী কুম্মৈ হরাওগী মথক্তা মীগী কুম্মৈ হরাওসু মণিপুরদা পুশিল্লকপা লেপ্তে। অদুগা চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাকশিংদা তৌনরিবা অফবা, হোৎনবা কনবা, শু–নোমবা কয়াদি মতৌ তম্বা ইউ উদে। মসিগী খুদমদি মণিপুরদা হন্দক কন্না চৎনরক্লিবা অমা হায়রগদি হেপি বার্থদে। মীতৌ তম্বা লেপ্তে। ফিজেৎ চাকচাদসু মদু মঙাই। অফবা তম্বদি করিশু কাইদে। অদুবু মীগী মতৌ তল্লিঙৈদা ঐখোয়গীনি হায়বা অদু কাউখিবদি ফত্তে। অরোইবদা য়াওশঙ কুম্মৈনা হরাও মোমোন নোক্তুনা অমুক ঐখোয় মশেল অমতা ওইখিবা অদুগুম্না লাক্কদবা মতমদসু অপুনবগী থৌরি তৎতবা ওইরসনু। ●



## নুপী হেল্পর অমা পামজৈ

Delhi দা লৈরুগদবা নুপী হেল্পর অমা পামজৈ। মতিক চাবা থাগী খুৎশুমল পীজগনি।

**Please Contact : 8413025028**
**8802192887**

HL-P/1966/25

## লম য়োঞ্জরি

মালোম তুলিহল এয়রপোর্টতা ম্যেন রোদকী মনিং থংবা শরুক্তা লৈবা স্কুল, হোটেল অমদি কম্মর্সিএল এরিয়া ওইবা য়াবা, পাক চাওবনা শঙম অনীগী ময়া ওইবা, ফেন্সিং, বোরো ৱেল ৱাটর অমদি নীংথিজনা শেমগৎ–শাগৎপা হৌরবা মফমনি। কনাগুম্বা পান্বীবা মীওইশিংনা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি।

**Contact : 7005606673**

HL-P/1892/25,26,27

## BANK PASSBOOK LOST

I have lost my State Bank of India, Singjamei Branch Passbook bearing A/c no. 35112636495 on the way between Keishamthong and Nagamapal on 17/03/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Ashwant Ningthoujam**
Keishamthong Irom Pukhri Mapal

HL-P/1893/25

## THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD.

**Administrative Office, M.G. Avenue, Imphal**

**NOTICE**

Imphal, the 17th March, 2022

No.IUCB/23(a)//2021-22: In continuation of the Bank's Notice of even No. dated 30th July, 2021 and in compliance of the Judgement and order dated 07-02-2022 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in WA No. 38 of 2021, WP(C) No. 18 of 2022, MC(WPC) No. 10 of 2022 and letter No. B-Coop./IUCB/ Election/2017 dated 14-03-2022 of the Registrar of Cooperative Societies, Manipur, the Representative General Body meeting for election of Board of Directors of the Bank for the term 2017-2018 to 2021-2022 will be held on Monday, the 4th April 2022 at 10.00 A.M. at the G.M. Hall, Imphal. The Registration of the Delegates will start at 9.00 a.m. onwards.

Hence, all concerned Delegates are requested to attend the meeting in time.

By Order of the Administrator,
**H. Meghachandra Sharma**
Asst. General Manager

HL-P/1939/18,19,24,25

## OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD. M.G. AVENUE, IMPHAL

**NOTIFICATION**

Imphal, the 17th March, 2022

No. 1/RO/Election/IUCB/2021: In continuation of Notification of even No. dated 16/08/2021 of this Office and in compliance of the Judgement and Order dated 07/02/2022 passed by the Hon'ble High Court of Manipur in WA No. 38 of 2021, WP(C) No. 18 of 2022, MC(WPC) No. 10 of 2022 and letter No. B-Coop./IUCB/ Election/2017 dated 14-03-2022 of the Registrar of Cooperative Societies, Manipur, result for election of Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd. for the term 2017-18 to 2021-22 will be declared on Monday, the 4th April, 2022, at 10.00 a.m. at G.M. Hall, Imphal

2. Hence, all concerned Delegates are requested to attend on time.

**Sd/- T. Pradwipkumar Singh**
Returning Officer,
Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.

HL-P/1939/18,19,24,25

## BEFORE THE LD. OATH COMMISSIONER, MANIPUR AT IMPHAL

**AFFIDAVIT**

I, Namita Jain, W/O Shri Sanat Bakliwal a permanent resident of Thangal Bazar Part-II, P.O. & P.S. - City, District - Imphal West, Manipur, aged about 38 years (Date of Birth; 15-05-1982), do hereby take oath and solemnly affirm on this 3rd day of August, 2020 as follows:

1. That, I married with **Shri Sanat Bakliwal** in accordance with Hindu Customs and practices.
2. That, I am popularly known as **Namita Bakliwal** after my marriage.
3. That, **Namita Jain** and **Namita Bakliwal** is one and the same person.

Verified that the above statements made in the foregoing para. No. 1 to 3 are all true to the best of my knowledge and belief and that no part of it is false or fabricated and nothing has been concealed therefrom.

**SIGNATURE OF THE DEPONENT**
**Namita Jain**

HL-P/1964/25

## GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 23rd March, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Samusang Bitra Springshed Watershed Development Committee"** at Bitra on 14/03/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Samusang & Bitra**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. (**Further you can contact 7005476625 for any objection/quarry**)

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/1948/25

## GOVERNMENT OF MANIPUR DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs 1st FLOOR, SOUTH BLOCK, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, IMPHAL, MANIPUR

**NOTIFICATION**

Imphal, the 24th March, 2022

No.A/PM-2/OBC-2020/862: This is reminder to the remaining 615 nos. of students notified as PFMS validation fail under SC Pre-Matric Scholarship, SC Post Matric Scholarship, OBC Pre Matric Scholarship and OBC Post Matric Scholarship scheme of this Directorate's notification vide even no. dated 17th June, 2020, 8th October, 2020 & 11th November, 2021. The details given below:

| Sl. No. | Scholarship Scheme | PFMS Bank Validation |
|---|---|---|
| 1 | OBC Post-Matric Scholarship, 2018-19 (Remaining part) | 20 |
| | OBC Post-Matric Scholarship 2019-20 (1st Phase) | 61 |
| | OBC Post-Matric Scholarship, 2019-20 (Remaining part) | 34 |
| | OBC Post-Matric Scholarship, 2020-21 | 328 |
| 2 | OBC Pre-Matric Scholarship, 2019-20 | 40 |
| | OBC Pre-Matric Scholarship, 2020-21 | 85 |
| 3 | SC Post-Matric Scholarship, 2019-20 | 8 |
| | SC Post-Matric Scholarship, 2020-21 | 24 |
| 4 | SC Pre-Matric Scholarship, 2020-21 | 15 |
| | **Total** | **615** |

2. List of the above students is made available on this Directorate's Website **www.manipurobcsc.gov.in**. Concerned students are therefore, advised to submit a clear copy of their ***Bank Passbook/Cancelled Cheque along with their Registration ID and Aadhar*** to this Directorate on or before **7th April, 2022**. Complaints/claims received after the last date will not be entertained.

Sd/- **Ng. Bhogendra Meitei**
Director (OBCs & SCs), Manipur

HL-B/7563/25

## GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 23rd March, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Uchiwa Spring Shed Water Shed Development Committee"** address as Uchiwa Awang Leikai I/W, P.O. & P.S. Mayang Imphal, Imphal West on 23-03-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Uchiwa**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. (**Further you can contact 9089297211 for any objection/quarry**)

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/1949/25

## OFFICE OF THE THOUBAL MUNICIPAL COUNCIL

**NOTIFICATION**

Thoubal, the 24th March, 2022

No.30/TBL/MUC/SBM/2016: Whereas a notification vide even no No. 30/TBL/MUC/SBM/2016 dated 14th February, 2022 was circulated inviting call and objection to the declaration of Open Defecation Free Plus (ODF+) in the jurisdiction of Thoubal Municipa Council.

And whereas no claims and objections has been received by this office during the specified period. Now, it is therefore, notified and declared that all the wards/ area under the jurisdiction of Thoubal Municipal Council are Open Defecation Free Plus (ODF+).

**Sd/- H. Pradeep Kumar Singh**
Executive Officer
Thoubal Municipal Council.

HL-P/1967/25

## IN THE FAMILY COURT, MANIPUR AT LAMPHELPAT, IMPHAL

**Mat (Declaration) Suit No 14 of 2022**

Oinam Rasheswori Chanu, aged about 33 years, having Aadhaar No. 787503706876, D/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, PO. Canchipur, PS. Singjamei, Imphal West District, Manipur-795003

**...Plaintiff**

Versus

1. Smt. Oinam (N) Hemabati Devi, aged about 42 years, D/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Mayai Leikai and W/o Sukham Hemchandra Meitei of Bashikhong Torban Leikai, PO. Singjamei & PS. Irilbung, Imphal East.
2. Oinam Gandhi Meitei, aged about 38 years, Aadhaar No. 981744439333, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.
3. Oinam Chandrakumar Meitei, aged about 36 years, Aadhaar No. 282242208470, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.
4. Premananda Oinam, aged about 30 years, Aadhaar No. 941779404592, S/o (L) O. Irabot Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai, Imphal West District, Manipur.

**...Defendants**

To,

All the interested Persons.

Whereas, the above named Plaintiff has filed a suit against you u/S 34 of the Specific Relief Act r/w Sec. 7(1)(a) Expl. (e) of the Family Courts, Act 1984 praying for declaring that the plaintiff is the unmarried daughter and natural daughter of Late Oinam Subadani Devi and Late (L) O. Irabot Meitei; all the interested persons are hereby summoned to appear before this Court on 11.04.2022 at 10:30 A.M either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all the material questions relating to the case and to file written objection, if any.

Take notice that in default to your appearance on the mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court, this 17th March, 2022.

Seal:-

By: **Y. Nodiachand**
Advocate

Sd/- **Sr. Sheristadar**
Family Court, Manipur

HL-P/1953/24,25,26


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোক্নদোক্লা মরী লৈনদে।